
# মোডি সরকার মথং চহি ১০-২০ দসু লৈননবা হৌজিক লৈরিবনিঃ অমিট সাহ



*বেঙ্গলুরু, এপ্রিল ৩ঃ*

নরেন্দ্র মোডি সরকার অসি চহি ১০-২০ দসু লৈননবা হৌজিক লেপ্লিবনি হায়না বি জে পি গী প্রসিদেন্ট অমিট সাহনা ঙসি বি জে পি নেসনেল ইকজিক্যুতিব কম্মিটি গী বেঙ্গলুরুদা পাঙথোকপা থৌরমদা ফোংদোকখ্রে।

ৱাথোক কয়ানা থল্লবা সরকার অদু লোইশিনখ্রে। লৈবাক অসিদা পেরলাইজ তৌরবা রাজনিতি অনৌবা রাজনিতিগী কাঙলোন অমদা হোংলক্লি। মোডি সরকার থুংলরে। মথংগী চহি ১০-২০ দসু শক্তি পায়গনি। মসিনা লৈবাক অসিগী অনৌবা মশক হোংহনগনি হায়খি।

থা ১০খক্তা ঙাইরিবা মোডি সরকারনা মনুং মপান ফাওনা উবা সরকার অমা লৈহন্দুনা অহোংবা কয়া পুরক্লে। লোয়ননা মতমগা চুন্নদ্রবা পোলিসি কয়া লোয়শিনহনখ্রে।

প্রইম মিনিষ্টর নত্তনা মিনিষ্টর কয়াসু মমাংগা মান্নদবা মওংদা শক্তি পায়হল্লি। বি জে পি সরকারনা চহি ১০ চুপ্পা সাসন পায়রক্লবা ৱাথোক কয়ানা থল্লবা যু পি এ সরকার লোয়শিনহনখ্রে। হৌজিক্তি ৱাথোক অমত্তা লৈররোই হায়খি।

লুচিংবা অদুনা মখা তানা ফোংদোকখিবদা যুনাইটেদ নেসন্সনা জুন ২১ বু ইন্টর্নেসনেল যোগা দে লাওথোরকখিবা অদু ইন্দিয়াগী মপান থৌশিল অচৌবা মায় পাকপা উৎপনি। মদু প্রাইম মিনিষ্টরনা অখন্নবা থবক পায়খৎপদগী ওইরকখিবনি। সোসিয়েল ইশুদা পুক্নিং চংদবা হায়বগা লোয়ননা বি জে পি খ্বাইদগী চাওবা পার্টি অমা ওইরক্লি। পার্টি অদুগী মেম্বর ক্রোর ১০ ওইহন্নবা থৌশিল পায়খৎলি। মেম্বর খুদিংমকপু এক্তিভ ৱার্কর ওনখৎপা দরকার লৈ। হৌজিক পার্টি অসিনা অনৌবা মেম্বরশিং য়াওহনবগীদমক কেম্পেন চত্থগদবনি।

বি জে পি গী লুচিংবা অদুনা ইং ২০১৪ বু বি জে পি গী মায় পাকপা চহিনি হায়না শিংথারদুনা চহি অদুনা বিজে পি না সেন্টর অমসুং ষ্টেট কয়া মরুওইনা মহারাস্ত্র, হরিয়ানা, ঝারখন্দ লোয়ননা জম্মু অমসুং কাশ্মীরদা চুংশিন্নবা সরকার পায়বা ঙম্লে।

যুনিয়ন মিনিষ্টর প্রকাস জাবাদেকরনা পাউমীশিংদা ফোংদোকখিবদা বি জে পি গী অহানবা মীফম-ক্রান্টি দিবস আগষ্ট ৯ দা পাঙথোকখিবনি। অমিট সাহা য়াম্না হরাওখি। লোয়ননা লৈবাক অসিনা নিংখা তন্নকপদগী কঙ্গ্রেস নত্তবাপার্টি অমনা মপুং ফাবা মেজোরিটি ফংদুনা সরকার শেন্নকপগী থৌরম পাঙথোকখি।

ইং ২০১৪ অসি বি জে পি গী ওইনদি মায় পাক্লবা চহিনি। ষ্টেট ১২ দা বি জে পি সরকার লৈহল্লে। মদু খ্বাইদগী চাওবা মায় পাকপনি। ঙসি পাঙথোক্লিবা মীফম অসি পৃথিবীগী খ্বাইদগী চাওবা মীফম অমনি। মসি পার্টি অসিগী ৱার্করশিংগী হোৎনজমনন্নি হায়খি।

মীফম অদুদা অমিট সাহানা মহাক্কী পার্টিনা চত্থগদবা তোঙান তোঙানবা থবক থৌরমশিং মথং মনাও নাইনা ফোংদোক্লদুনা হায় পার্টি অসিনা মহাত্মা গান্ধিগী মংলান খুৎনা অমাং অশোয় শেংদোকপা লৈহন্দবা হায়বা অদু মংফাওনহল্লে। অদুগুম্বা থবক মওং অদুনা সমাজ অসিনা অচৌবা চৈথেং অমা পীরিবনি।

পার্টিগী ৱার্করশিংনা অদুগুম্বা থবক অদু তৌবা লাক্ষ ২৩ মশক খঙদোক্তুনা অতোপ্পা থবক্তা ওন্থোকহনখিনবা থবক পায়খৎক্কদবনি। পার্টিগী মীওইশিংনা 'ইচানুপী কনসি, ইচানুপীশিং লাইরিক তমহনসি' হায়বা কেম্পেন খুমাং চাওশিহনগদবনি। মদুনা নুপা নুপী খায়বগী চৎনবী অমদি অঙাং নুপীমচাশিং ইমুংদা হাৎপা থিংবদা মতেং ওইগনি।

নুপীমচাশিংবু শোয়দনা স্কুল চৎলহনবা পাম্মী। মখোয়দা শক্তি পীদুনা লৈবাক অসিগী চাওথোকচনিংঙাই ওইবা সিটিজন অমা ওইহনসি হায়খি।

লুচিংবা অদুনা 'স্বছ ভারত' অমসুং 'নামামি গঙ্গা' গী মতাংদা মীয়ামদা হেন্না খঙহনবা ৱাফম কয়াসু ফোংদোকখি।

# প্রসিদেন্টনা লেন্দ এক্কিজিসন সাইন তৌখ্রে



*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ৩ঃ*

রাজ্য সভাদা পাস তৌবা ঙমদবনা আইন ওহোকপা ঙমখিদ্রবা লেন্দ এক্কিজিসন ওর্দিনান্স প্রসিদেন্ট প্রনাব মুখর্জিনা সাইন তৌখ্রে।

কেবিনেটনা অমুক হন্না রিকমেন্দ তৌরকখিবগা লোয়ননা ঙসি বিল ওর্দিনান্স অদু রি-প্রোমুলগেট তৌখি। নরেন্দ্র মোডি সরকারনা অনৌবা ওর্দিনান্স ১১ পুথোকখিবগী মনুংদা ৯ দি লোক সভাদা পাস তৌখি। অদুগা লেন্দ ওর্দিনান্স অসিবুনা রাজ্য সভাদা ওপোজিসন পার্টিনা অকনবা মওংদা খোঙজং চংশিলকপদগী পাস তৌবা ঙমদনা লৈরি। বিল অদু লৌমীশিংগী হক কনবা ঙম্লোইদবা অমদি লায়রবশিংগী মায়োক্তা লৈবা বিলনি হায়না অথিংবা পীরি।

কঙ্গ্রেস, ত্রিনামুল কঙ্গ্রেস অমসুং লেফ পার্টিশিংনা বিল অদুগী মায়োক্তা লৈদুনা আইন ওনবা ঙমদনা লৈরি। এন দি এ সরকার লোক সভাদা মেজোরিটি ওইরবসু লেন্দ এক্কিজিসন, রি-হেবিলিটেসন অমসুং রি-সেটলমেন্ট (এমেন্দমেন্ট) বিল লৱার হাউসতা পাস তৌখ্রবসু ওপোজিসন পার্টিশিংবু থাজবা পীবা ঙমদবনা অপ্পর হাউসতা পন্দুনা লৈরি। ওপোজিসনগা য়ান্নবা পুরক্লবা বি জে পি না পার্টি অদুগী সেনিয়ার মিনিষ্টর ৬ লোম থবক তৌহল্লি। অদুগা খর অমনা পার্টি অদুগী লৈবাক শিনবা থুংনা লৈরিবা ৱার্করশিংদা ওর্দিনান্স অদু পাস তৌননবা মীয়ামদা পাক শন্না মেসেজ পীননবা থবক পায়খৎলি।

সরকারনা পুথোকখিবা ওর্দিনান্স ৬ ক্কী মনুংদা ৫ দি পার্লিয়ামেন্টনা পাস তৌহনখ্রে। অদুগা লেন্দ ওর্দিনান্সনা পাস তৌবা ঙমদনা লৈরিবনি।

## খঙমিন্নসি

### লম্মিৎলোন

**মানতকঃ**

কেগে কাকলেন নোংদম সুজা অথৌবগী মচানুপা খুৎচুপ চৈমিয়াংনা মপা চীংশাং লাকপগী ময়ুমদা লৈদুনা লোইবী চীংশাংগী হাও পাখংশিংগা নুমিৎ তরেৎনি ফাইনা লেপ্তুনা মুক্না শান্নবদা হাও পাখং পুন্নমক মায়থিবা পীখি। খুৎচুপ চৈমিয়াংনা লোইবী হাও পাখংশিংবু মুক্না শান্নবদা থান্নবা চরৈফি তক্না লৌই হায়বগী মফম অদু 'মানতক' কৌনখি।

**মতালোকঃ**

খোইমোম লাইলৈমা য়াখমলোই মতা তরেৎনা খা মায়কৈদগী পাইরক্লগা কেগে মোইরাং লৈবাক্তা থুংলৈ। খোইমোম মখোয় তরেৎনা চেক্লাগী শক্তম লৌরগা অহীং অথেংবদা কোরৌ নোংমদোনথক্তা লাউনা খোংদুনা মোইরাং লৈবাক শিনবা থুংনা পাইখি। মখোয় তরেৎনা খোংবদা অমা চাগে অমা শি, অনী চাগে অনী শি, অহুম চাগে অহুম শি, তরেৎ চাগে তরেৎ শিদুনা কেগে মোইরাং লৈবাকসি অৱা-অনা তারক্লবদা নিংথৌ লাইবু অতেংবনা লৈবাক্কী অঙম অথৌ ময়াম কৌখৎলগা খোইমোম ফত্তবা য়াইখমলোই তরেৎপু হাৎনবা ৱা তান্নরম্মী। নিংথৌগী ওইথাং খনবা খোয়ুম লাইশক খঙবা খুমু লৈরিজাম্বা অথৌবনা মখুৎনা লিরুং তেল পায়রগা নুপা কুম্ভ্রাগা লোয়ননা অহীংদা খোরি কৈথেন্দা খোইমোম লাইলৈমা তরেৎনা ওনবা চেক্লা পাইরকপা ঙায়দুনা লৈখি। অহীং তাংলৌ অথেংবদা পাইরকপা চেক্লাগী শউম ফংবদা খুমু লৈরিজাম্বনা তেল কাপ্তুনা মখা পাংনা তান্নখি। তেলজিন্দা মৈরি থোকপা তেলনা পাইশিল্লকপদু উবদা খোইমোম মতা তরেৎতু কিদুনা তোরবুং তান্না পাইরকই। তোরবুং য়ৌরবদা মোইরাংগী খোংমী লাম্মীনা ৱারদুনা পোত্থারিঙৈদা চেক্লা মতা তরেৎনা মোংবা তুরেলগী তুখুলদা চঙলগা অঙৈংবা ঈশিংবু খৌবোম থন্না থক্কুনা মতা তরেৎতু অরাম খৌরাংবা কোক্লখিবা লোকনি হায়বগী 'মতালোক' কৌনখি।

**মোংবা হিয়াংতেকঃ**

লমলেন লিলোংদগী য়োইমোংবা তাউথিংমাং মচিল মনাও অনীনা পুন্না তুরেল অচৌবা মরীলদা মখা পাংনা তেংদুনা লাকপদা হাওয়ুম য়ুম্নাক তাবা মফম লোইবী হাওয়ুম মরৈ মাবী হাওশি পনথোং খৈবী লুখ্রাবী তোংনথাংনু শাফবী য়ুমদা থুংলরে। তোনথাংনু শাফবীনা মচিল ননাওনা লাকপদি করম্বা লোই থৌবা লাকপনো মফম অসিদা কুইনা লৈবা য়ারোই কাকয়েন মীঙম্বা কৌবা মীবু চেনবা ঙম্বা উচেক অমা লৈ। মহাক হৌজিক্তি চীংনুংহুৎতা চৎখি। মানা ঙা চাবা নুমিত্তা ঙা ময়াম ঈশিং ঈরেন্দা লোৎখি, শা চাবা নুমিৎতসু শা পুন্নমক উমং ৱামংদা লোৎখি। মী চাবা নুমিৎতনা মী পুন্নমক কিদুনা মপাল থোক্লদে লম্বী শোরোক্তা চৎনদে। অদুনা মচিল মনাও থুনা য়াংনা হল্লো হায়রবদা মখোয় অনীনা উচেক মহুমদা লাংথাক্তুনা লায়না ফাবা ঙমগনি খুল্লকই। লোইবী হাউয়ুম মরৈ মাবীনা লাং থাক্তুনা মাবু ফাবদি ঙমলোই নখোয়না মাবু ফাগে খল্লবদি লাইরেম্মা লৈমরেল শিদবীগী মখুৎসু থাঙলেন য়াইওইবা তেন য়াইওইববু ফংলবদি কাকয়েন মীঙম্ববু লায়না হাৎপা ঙমগনি হায়রবদা মখোয় অনীনা চৎখিদুনা লৈমরেল শিদবীদা হায়জদুনা থাঙলেন য়াইওইবা তেন য়াইওইববু হিয়াং হিগী হিনুংদা হাপ্লগা কাকয়েন মীঙম্বা হাৎকদবগী মখা পাংনা হি হোল্লকই। খরা চৎলগা হিনুংদা য়াওরিবা থাঙলেন য়াইওইবদু মথি ফোংলক্তুনা মখোয় অনীনা তোংলিবা হিয়াং ময়াইদা ককথৎলগা ঈশিং মনুংদা থাঙলেন য়াইওইবা তেন য়াইওইবা লুপমিন্নখি। থাঙলেন য়াইওইবনা মচিল মনাওনা তোংলকপা হিয়াংবু ময়াইদা অনী থোক্লা ককথৎতুনা তেক্লে হায়বগী মফম অদুবু 'মোংবা হিয়াংতেক' কৌনখি।

*... মথং মথং*

# সেন্টরনা অনৌবা গভর্নরশিং হাপ্পবা থৌরাং তৌরি

*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ৩ঃ*

সেন্তরনা ষ্টেট ৯ গী হাংদুনা লৈরিবা গভর্নরশিং মেনশিন্নবা থৌরাং তৌরি। ষ্টেটশিং অদুগী মনুংদা ৫ দি কঙ্গ্রেসনা সাসন তৌরি। মদুগী মনুংদা গভর্নর অমনা ষ্টেট ৪ গী থৌ পুরি অদুগা মঙানা ষ্টেট ২ গী থৌ পুরি হায়রি।

গভর্নর খরদি অহেনবাচার্জ ওইনা ষ্টেট ২ নত্রগা ৩ গী থৌ পুরি। অনৌবা গভর্নরশিং লাক্লিবা চয়োল খরসিগী মনুংদা হাপ্লবা য়াই হায়না পাউগী লিখুন অসিনা ফোংদোরক্লি। রাজভৱন হাংদুনা লৈরিবা ষ্টেটশিং অদুদি অসাম, হিমাচল প্রদ্রেস, মেঘালয়া, মীজোরাম অমসুং মণিপুরনি। হায়রিবা ষ্টেটশিং অসি কঙ্গ্রেসনা সাসন তৌরি। ওপোজিসন পার্টি জে দি য়ু, লেফ অমসুং টি আর এস না বিহার, ত্রিপুরা অমসুং তেলঙ্গানাদা মথংশিংনা সাসন তৌরি।

অকালি দল অমসুং ভারতিয়া জনতা পার্টি চুংশিন্নদুনা সরকার পায়রিবা পঞ্জাবসু গভর্নরগী ফম হাংদুনা লৈরি।

ৱেষ্ট বেঙ্গলগী গভর্নর কেসরি নাথ ত্রিপাঠি না অহেনবা চার্জ ওইনা বিহার, মেঘলায়া অমসুং মীজোরামগী থৌ পুরি। অদুগা নগালেন্দগী গভর্নর পদমানভা অচারিয্যানা অহেনবা চার্জ ওইনা অসাম অমসুং ত্রিপুরগী রাজভৱনগী থৌ পুরি। সেন্তরনা হৌজিক গভর্নর গী ফম হাংদুনা লৈরিবা ষ্টেট ৯ গী গভর্নরশিং হাপ্পনবা থৌরাং পায়খৎলি। চয়োল অমা নত্রগা অনিগী মনুংদা হাংলিবা গভর্নরগী ফম মেনশিল্লবা য়াই হায়রি।

# য়ুম নিংখায়বদা মীওই ৭ শিরন্নগনি মীপাইনখ্রে

*জম্মু, এপ্রিল ৩ঃ*

নোং কন্না চুবনা মরম ওইরগা জম্মু অমসুং কাশ্মীরগী দিৱালকুন্দা দা য়ুম অমা নিংখায়খ্রে। থৌদোক অদুদা ইমুং অমগী মীওই ৭ শীন্নগনি হায়বগী মীপায়বা লৈরে হায়নাপুলিসনাফোংদোরক্লি।

দেসাবেল্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা দিৱালকুন্দদা লৈবা জোধা রামগী য়ুম অদু অকনবা নোং অদুনা মরম ওইরগা নিংখায়রকখি।

দোদাগী সুপরিনটেনদেন্ট ওফ পুলিস জাবেদ মনহাস না ফোংদোরকখিবদা ইমুং অদুগীমীওই পুন্নমক ননশিন্দুনা লৈখ্রে। থৌদোক অদু লমদম অদুগী মনুং হঞ্জিনবা অমদি লায়না য়ৌশিনবা ঙমদবা অমদা থৌকখিবনি। পুলিসকী টিম অমা মফম অদুদা চংশিনখ্রে।হৌজিক্ ফাওবদা হকচাং অমত্তা ফংবা ঙমদ্রি। খুদোং থিবাথৌদোক অদুদা ইমুং অদুগী মীওই পুন্নমক শিরন্নগনি হায়বগী অকিবা লৈরি। পুলিস অমসুং লান্মীগী কাঙবুনা রেস্ক্যু ওপরেসন চত্থবা হৌখ্রে। অদুম ওইনমক অহানবা ওইনা ফংবাপাউদা ইমুং অদুগী মীওই পুন্নমক হিংলম্বা য়াবগী ফিভম লৈত্রে হায়রি।

# এন দি এ গী লেন্দ একুজিসন বিল রাজ্য সভাদা পাস তৌবা ঙম্লোইঃ জয়রাম রামেস




*হান্নগী মিনিষ্টর অমসুং রাজ্য সভাগী এম পি জয়রাম রামেস*

*হায়দ্রবাদ, এপ্রিল ৩ঃ*

বি জে পি না লুচিংবা এন দি এ সরকারনা লেন্দ এক্কিজিসন বিল পুথোরকপদা মহাক্কী পার্টি অমসুং অতোপ্পা পার্টি কয়ানা অথিংবা পীগনি। বিল অদু রাজ্য সভাদা পাস তৌবা ঙম্লোই হায়না কঙ্গ্রেসগী লুচিংবা জয়রাম রামেসনা ঙসি ফোংদোকখ্রে।

কঙ্গ্রেস পার্টিনা এমেন্দমেন্দ বিল অদুগী মায়োক্তা লৈবগী মরুওইবা মরম মঙা পনবগা লোয়ননা লুচিংবা অদুনা হায় মোডি সরকার অসি লৌমীশিংগী মায়োক্তা লৈবা অমসুং প্রাইভেট কম্পেনিশিংগীদমক লেন্দ এক্কিজিসন বিল পুথোকপনি হায়না মরাল শিখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অদুদা লুচিংবা অদুনা হায় বি জে পি সরকারনা পুথোক্লিবা এমেন্দমেন্দ বিল অদুদা ইং ২০১৩ গী ক্লোজশিং লৌথোকখ্রে। মদুদা লৌমীশিংগী চাদা ৮০ শৌগৎপা অমসুং কম্পেনসেসন পীবগী ৱাফম য়াওখ্রে। ইং ১৮৯৪ এক্টকী মতুংইন্না লৌমী অদুনা পামদ্রবদি তৌফম থোকপশিং কেস ওইনা লৌখৎপা য়াই।

ক্লোজ কয়া লৌথোকখিবা অদু লৌমীশিংদগী লম লৌশিনবগীনি। করিগুম্বা চহি ৫ গী মনুংদা শিজিন্নদ্রবদি লৌমীশিং অদুদা অমুক হনখিগদবনি। সরকারনা কিলোমিটর অমফাওবগী লম লৌশিনবা য়াবগী হক পিরি। মদু ইন্দষ্ট্রি লিংখৎনবা প্রাইবেট দিভলপ্পরশিংগা খুৎশিন্নবনি।

সমাজদা কায়রকপা য়াবা কয়া লৈবদগী কঙ্গ্রেসনা এমেন্দমেন্দ বিল অদুগী মায়োক্তা লেপ্পনি। লুচিংবা অদুনা মখা তানা হায়খিবদা অন্দ্র প্রদেস রিকোগনেসন ইমপ্লিমেন্ট তৌদবগী মতাংদা হান্নগী যুনিয়ন মিনিষ্টরনা যুনিয়ন মিনিষ্টর এন ভেঙ্কয়ানাইদু অমসুং অন্দ্র প্রদেসকী চিফ মিনিষ্টর চন্দ্রবাবু নাইদুগী মথক্তা অকনবা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি।

নাইদু অমনা অন্দ্র প্রদেসপু নমথাক তৌরে। অদুগা নাইদু অমনা পোলাভরম প্রোজেক্ট লোয়শিনবগী মায়োক্তা লৈরে। এন দি সরকার অসি ষ্টেট খায়দোকপদা হায়খিবা ৱাফমশিং পায়খৎত্রে হায়নসু মরাল শিখি।

# এস য়ু ভি গা শঙ্গোম পুবা টেঙ্কর অমগা থেংজিন্নবদা ৯ শিরে



*মদুরাই, এপ্রিল ৩ঃ*

স্পোর্টস য়ুটিলিটি ভেহিকল (এস য়ু ভি) অমগা শঙ্গোম পুবা টেঙ্কর গা তামিলনাদুগী দিন্দিগুল দিষ্ট্রিক্টকী শেম্পাটি মনাক্তা থেংজিন্নবদা মীওই ৯ শিরে।

পুলিসকীপাউ মতুংইন্না ঙসি অয়ুক প্রোফেসার আব্দুল রহিম (৫২) না লুচিংবা কারু দিষ্ট্রিক্টকী পাল্লাপাটি দা লৈবা মখাদুনিয়া আরাবিক কলেজগী কাঙবু অমা কোদায় কানলদা গেষ্ট হাউস অমাশঙ্গাবগী লাইশোন থৌরম য়াওরুরগা হল্লকখি।

এস য়ু ভি গী দ্রাইভর অদুদা শোয়বদগী শঙ্গোম পুদুনা থুরাইয়ুরদগী ত্রিচি তম্না চৎপা শঙ্গোম পুবা টেঙ্কর অদু থেংজিনখি। থৌদোক অদুদা এস য়ু ভি অদু লৌবা য়াদনা অকায় অতোয় নংখি। অদুগা শঙ্গোম পুবা টেঙ্কর অদুনা মথক মখা ওন্দুনা তাখি। টেঙ্কর অদুনা পুরকপা শঙ্গোম লিটর লিশিং ৩ লম্বীদা হৈদোকখি।

ঙসি অয়ুক অঙনবদা থোকখিবা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুদি আব্দুল রহিম (৫২), আব্দুল রেহমন, মহমদ বালিবুলা (২৫), আলিবা (২২), থামনিন উল অনসারি, সাহিদ ইব্রাহিম (২৫) পাজিরুলা (৩২), আবু সালি (২৮) অমসুং এস য়ু ভি গী দ্রাইবর মোহন (৪৯) নি। মখোয় মফম অদুমক্তদা লৈখিদবনি হায়রি। অদুগা এস য়ু ভি গী গাড়ীদা তোংলকখিবা জালিল রেহমন অরুবা ফিভমদা শোকখি। মদুরাইদা লৈবা সরকারগী হোস্পিটালদা পুখত্তুনা লায়কন্নরি।

জমিন অন্সারি থা ২ রোমগী মমাংদা লুহোংখিবনি অদুগা মহমদ ভালিবুলা অমসুং থামিন অন্সারিনা মচিন মচাওনি। শঙ্গোম পুবা টেঙ্কর অদুগী দ্রইবরদি শিনিংচিৎতা হিংহৌখি। থৌদোক অদুগী মতাংদা শেম্পাটি পুলিসনা কেস অমা লৌখৎখ্রে।

ইলেক্ট্রিসিটি অমসুং এক্সাইজ মিনিষ্টর নাথম বিস্বানাথন না অশিবা হকচাংশিং পোষ্ট মোর্টেম তৌনবা থল্লিবা বিন্দিগুলদা লৈবা সরকারগী হোস্পিটাল অদুদা চৎতুনা য়েংশিনখি। মিনিষ্টর অদুনা খুদোংথিবা থৌদোক অদুদা মীওই কয়া লৈখিদবদা অৱাবা ফোংদোকখ্রে।

# মিনিষ্টর স্ম্রিটি ইরানি ফি হোংবদা ফিল্ম নম্লম্বগী এফ আই আর থাঙ্গৎখ্রে

*পনাজি, এপ্রিল ৩ঃ*

যুনিয়ন ইডুকেসন মিনিষ্টর স্ম্রিটি ইরানিনা গোৱাগী মমিং চৎলবা ফেবইন্দিয়া গী ফি হোংফম কাদা ফি হোংনবা হোৎনবদা কেমেরা অমা মহাক্না লৈরিবা অপিকপা কা অদুগী মনুংদা হাপ্লম্বা থেংনরকখি।

কেমেরা অদুদা লৌবা ফুটেজদা মিনিষ্টর য়াওরমখি। মদু কম্প্যুটরদা রেকোর্দ তৌরম্বা থেংনবদগী গোৱাগী লেজিষ্টলেটর মায়কেল লোবোনা এফ আই আর অমা থাঙ্গৎখ্রে।

ফেবইন্দিয়া হায়বা স্তোর অদুদা থবক তৌবা ৪ ফাগৎতুনা থৌদোক অদুগী মতাংদা ৱাহং পাউহং চত্থখ্রে। মখোয় গোৱা ক্রাইম ব্রাঞ্চতা শিনখ্রে হায়না পুলসিকী পাউ অমনা ফোংদোকরক্লি। মীওইশিং অদু দরকার লৈরবদি ফাগৎক্কনি হায়রি।

স্ম্রিটি ইরানি সুটি মতমগী ওইনা মখোয়গী পার্টি বি জে পি না সাসন তৌবা সমুদ্রা খোঙবানগী ষ্টেট অদুদা লাকখিবনি। গোৱাগী কেন্দোলিমদা লৈবা ফেবইন্দিয়া স্তোরদা পোৎ লৈবা চংবদা কেমেরা অদু থেংনরকখিবনি। খুদক্তা ইরানিনা মহাক্কী মপুরোইবা জুবিন ইরানিদা পাউ তমখি হায়না লোবোনা ফেংদোরকখি।

এম এল এ লোবোনা মখা তানা ফোংদোরকখিবদা ইরানিনা মহাকপু কৌরকখি। তুংদা পুলিসতা পাউ পীখি। পুলিসনা নুপীগী ইকায় খুম্নবা শিংনবগী কেস অমা লৌখৎখি। লোয়ননা স্ম্রিটি ইরানি (৩৯) গী ৱারোল পুলিসনা রেকোর্দ তৌখি।

ফেবইন্দিয়াগী মেনেজিং ডাইরেক্টর ৱিল্লিয়ম বিসেলনা এন দি টিভিদা ফোংদোকখিবদা স্তোর পুন্নমক্তা সেক্যুরিটি কেমেরাশিং খিল্লি। পোৎ হুরানবা থোক্লকপা মতমদা খঙননবগীদমক কেমেরাশিং অদু খিনবনি। মখোয়না ফি হোংফম কাদদি থমদে হায়খি।

ৱিল্লিয়ম বিসেলনা মখা তানা ফোংদোকখিবদা কেস অদুগী মতাংদা থিজিল্লি। রোকোর্দশিং অদুসু মখোয়গী তিমনা য়েংশিল্লি। লোবোনা ফোংদোক্লিবা ৱাফম অদু শেংদোকপা ঙমদে। কেমেরা অদু ফি হোংফম কাগী লম্বীদা খিনবনি। ফি হোংফম কাদা ওঙ্গিলবসু লায়না উবা ঙমদে। ভিদিও রেকোর্দশিং অদু য়েংশিনবদা কনাগুম্বা খরনা অরানবা তৌরে। মীওই খরনা রেকোর্দিং অদু য়েংই হায়না এম এল এ না ফোংদোরক্লি।

কেমেরা অদুগী ফুটেজশিং মেনেজর ওফিসকী কম্প্যুটরদা রেকোর্দ তৌবনি। কেমেরা অদু থা ৪ রোমগী মমাংদা হাপখিবনি হায়না স্তোর অদুগী ষ্টাফ অমনাফোংদোরকখিবা লৈখি। লোবোনা মখা তানা ফোংদোকখিবদা ত্রাইয়েল রুম অদুদা ফি হোংবা মীওই কয়াগী ফুটেজ রেকোর্দ তৌই হায়না মরাল শিরক্লি।

লোবো কলাংগুটেদগী কারকখিবা বি জে পি গী এম এল এ নি। স্ম্রিটি ইরানিনা লৈরিবা অৱাং থংবা গোৱা অদু য়াম্না পোপুলর ওইবা মফমনি। কলাংগুটে হায়রিবা মফম অদু কেন্দোলিমগা হেক থংননা লৈবা মফমনি হায়রি।

পুলিসনা ফোংদোরকখিবদা ফি য়োনবা গোৱাগী মফম অদুদা পুলিসনা থিজিনবগী থবক চত্থরি। স্ম্রিটি ইরানিনা ইরাই নুমিত্তা ফি হোংননবা হোৎনখিবা চেঞ্জিং রুমদা হাপ্পা সি সি টি ভি কেমেরানা কা হেনবা য়েংশিল্লম্বগী কেস থিগৎলি। পুলিস ইন্সপেক্টর নিলেস রানে না ন্যুজ চেনেল অমদা ফোংদোকখিবদা স্ম্রিটি ইরানিনা গোৱাগী অৱাং থংবা সমুদ্র খোঙবানগী কলাংগুটে খুঙ্গং অদুদা লৈবা ফি য়োনফম অদুদা লাকপদা মহাক্না ফি লৌথোক্লবা চেঞ্জিং রুমদা থৌরাং তৌবদা মহাক্কী এসিষ্টেন্ট অমনা কেমেরা অদু উরকখি। লোয়ননা মদুগী মতাংদা ৱা-ৱা লাওনা ফোংদোরকখি।

মিনিষ্টর অদুনা স্তোর রুম অদুগী মনুংদা লৈরিঙৈদা মহাক্কী এসিষ্টেন্ট অমনা চেঞ্জিং রুমগী মপান্দা লৈরিবা কেমেরা অদুগী মতাংদা মিনিষ্টরদা খঙহলকখি। অদুম ওইনমক কেমেরা অদুনা মনুংদা লৈবশিং অদু উবা মাল্লি হায়খি।

ইরানিনা হিরম অদুগী মতাংদা কনটেক্ট তৌরকখিদে। কলাগুটেগী এম এল এ মাইকেল লোবোনা হিরম অদু হকচিন্না লৌখি হায়রি।

